**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 13-08.2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) ১৩৩ শুবা অথৌবশিংগী নিংশিং নুমিৎ থৌরম ঙসি তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাক শন্না পাঙথোকখ্রে।

২) রাজ্যপাল লক্ষমন প্রসাদ অচারিয়ানা হায়রি- ঐখোয়গী মরক্তা ৱাখল্লোন মান্নদ্রবদি অতোপ্পা লৈবাক্কী শক্তিশিংনা লাইনা খুদোংচাবা লৌবা ঙমগনি।

৩) মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না হায়রি- অথৌবশিংগী নুমিৎনা লাকপগা ইরোয়ননা ঐখোয় পুমমক অমত্তা ওইনা পুনশিন্নদুনা হান্নগুমা নুংশি চান্নবা লৈমিন্ননবা লম্বীরোমদা চংশিনমিন্নরশি।

৪) লৈবাক শিনবা থুংনা চত্থরিবা হর ঘর তিরঙ্গ কেম্পেন মণিপুরদসু পাক শন্না পাঙথোকরি।

অমসুং

৫) তামিলনাদুদা চত্থরিবা মল্টি নেসনেল মিলিটরি এক্সরসাইজদা ভারতনা শাজবা লাইট কম্বেট এয়ারক্রাফট (এল.সি.এ) তেজাসকী তৌবা ঙম্বা শক্তিশিং উৎখ্রে।

-------

অথৌবা (এল)ঃ ১৩৩ শুবা অথৌবশিংগী নিংশিং নুমিৎ থৌরম ঙসি রাজ্য সরকারনা শিন্দুনা ইম্ফালদা পাঙথোকখ্রে। কুমজা ১৮৯১ গী এঙ্গলো মণিপুর

লানদা বৃটিশশিংনা ফারবা মতুংদা মতম অদুগী ফৈদাবুং, হৌজিক্কিনা সাহিদ মিনর লৈরিবা মফম অসিদা যুবরাজ টিকেন্দ্রজিৎ অমসুং থঙ্গাল জেনেরেলবু ফাঁসি তৌদুনা হাৎখি। থৌদোক অদুবু নিংশিংদুনা অথৌবশিংগী নিংশিং থৌরম চহি খুদিংগী পাঙথোক্কুনা লাক্লি।

নিংশিং নুমিৎ থৌরমগা মরী লৈননা অয়ুক পুং ৮ মখায়দগী হৌদুনা মোইরাংখোমগী হিচম য়াইচম পাৎতা লৈবা বির টিকেন্দ্রজিৎকী সমাধি অমদি পেলেস কম্পাউন্দা লৈবা থঙ্গাল জেনেরেলগী মন্দিরদা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না লুচিংদুনা মীয়ামা লৈ কৎখি। নুংথিলগী পুং ৩ মখায় তারকপা মতমদা রাজ্যপাল লক্ষমন প্রসাদ অচারিয়া অমসুং মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না লুচিংদুনা ঐতিহাসিক ওইরবা কংলাদা লৈবা অথৌবশিংগী নিংশিং খুভমদা লৈ কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখি। তুংদা, ইম্ফালগী বির টিকেন্দ্রজিৎ পার্কতা লৈবা লোই থাখিবা অথৌবশিংগী নীংশিং য়ুন্বীদা ইকায় খুমবা উৎখি। মদুগী তুংদা রাজ্যপাল অমসুং মুখ্য মন্ত্রিনা লুচিংদুনা সাহিদ মিনরদা লৈ কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

মফমদুদা পাঙথোকপা মপুংওইবা থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা রাজ্যপাল লক্ষমন প্রসাদ অচারিয়ানা হায়- বির টিকেন্দ্রজিৎ অমসুং থঙ্গাল জেনেরেলনা মরৈবাক্কীদমক থৱায় কৎখিবা অদুনা লৈবাক অসিবু নীংতমহন্নবা হোৎনবদা অচৌবা ইনোৎ পীখি। অসিগুম্বা মণিপুর ইমাগী অথৌবা মপারিশিং অসিগী মফমদা লৈ কৎপা ফংজবদা য়ামা নুংঙাই হায়নসু রাজ্যপালনা ফোংদোকখি। মহাকা হায়- অথৌবা ইপা ইপুশিংবু নীংশিংবগী থৌরম পাঙথোকপগা লোয়ননা ইমা লৈবাক্কীদমক কৎথোকপগী ৱাখল্লোনদা থবক তৌনবা হোৎনগদবনি।

ঐখোয়না হৌখ্রবা পুৱারী হনগৎনা য়েংবদা খঙবা ঙমলি, মদুদি- নিংথৌমচাশিংগী মরক্তা পুকচেল খোইজেল তিন্নদবগী খুদোংচাবা লৌদুনা বৃটিশশিংনা মণিপুরবু লৌশিনখি। মসিদগী ঐখোয়না খঙবা ঙমলে, মদুদি ঐখোয়গী মরক্তা ৱাখল্লোন মান্নদ্রবদি অতোপ্পা লৈবাক্কা শক্তিশিংনা লাইনা খুদোংচাবা লৌবা ঙমগনি হায়বা।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না হায়- লৈবাক অসিগী অপিকপা রাজ্যশিংগী মনুংদা চাওখৎ লমজেলদা মাংজিল থানা চৎলম্বা ঐখোয়গী রাজ্য মণিপুর অসি হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসিনা মণিপুরগী মীয়ামদা চাউনা অৱা চৈথেং পীরি। মীওই কয়া ময়ুম মকৈ থাদোক্তুনা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরি। মীওই কয়া অমনা থৱায়না পোন্থা পীখ্রে। কেন্দ্রগী লুচিংবশিংগী মীৎয়েং মখাদা অহেনবা সেক্যুরিতি ফোর্স অমসুং তেংবাং কয়া পীরক্তুনা ফিভম অসি লাকশিন্নবা হোৎনরি। হৌখিবা থা ৬ লোম অসিদা কা হেনবা পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনা তপা তপা শান্তিগী লম্বীদা লাকপা হৌরে।

ঙসিগী অথৌবশিংগী নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা মুখ্য মন্ত্রিনা রাজ্য অসিগী মীয়ামদা অমত্তা ওইনা পুনশিন্নদুনা হান্নগুমা নুংশি চান্ননা লৈমিন্ননবা লম্বীরোমদা চংশিনমিন্নরশি হায়না আপীল তৌরি।

থৌরম (এল)ঃ  অথৌবশিংগী নিংশিং নুমিৎ থৌরম ঙসি মণিপুর অমসুং মণিপুরগী ৱাংমদা মণিপুরীশিংনা খুন্দাবা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদসু পাঙথোকখি।

রাজ্য অসিগী জিলাশিং অমদি সব-দিভিজনেল হেদক্বাটরসশিংদসু অথৌবশিংগী নিংশিং নুমিৎ থৌরম পাঙথোকখি। শগোলবন্দ কেন্দ্রগী এম.এল.এ- আর.কে. ইমোনসু ইম্ফালগী কাঙাবম লৈকাইদা পাঙথোকপা থৌরমদা এঙ্গলো মণিপুর লানগী অথৌবশিংগী মফমদা হৈকৎ লৈকৎ তমখ্রে। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা নম্বুল লৈকোল কম চিলন্দ্রেন্স পার্ক অমসু এম.এল.এনা হাংদোকখি।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন থৌবালনা শিন্দুনা দি.সি কমপ্লেক্সকী কাউন্তিং হোলদা পাঙথোকপা থৌরমদা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার এ. শুবাসনা লুচিংদুনা অথৌবশিংগী মফমদা লৈ কৎখি।

সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না শিন্দুনা অথৌবশিংগী নিংশিং থৌরম সেনাপতিগী দি.আর.দি.এ কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা জিলা

অসিগী এ.দি.এম- নিমমি আজিং ব্লুংসিনা লুচিংদুনা মীয়ামা অথৌবশিংগী মফমদা লৈ কৎখি।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ককচিংনা শিন্দুনা ককচিংদা লৈবা দি.সি. ওফিস কমপ্লেক্সতা নিংশিং থৌরম অসি পাঙথোকখি। জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার রোহিত আনন্দনা লুচিংদুনা বির টিকেন্দ্রজিৎ অমসুং থঙ্গাল জেনেরেলগী ফোতোদা লৈ কৎখি।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন কামজোংনা শিন্দুনা ঙসি পাঙথোকখিবা অথৌবশিংগী নীংশিং থৌরমদা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার রংনামৈ রং পিতরনা লুচিংদুনা অথৌবশিংগী মফমদা লৈ কৎখি।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন নোনেনা শিন্দুনা নিংশিং থৌরম অসি নোনেদসু পাঙথোকখি।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন জিরিবামনা শিন্দুনা পাঙথোকপা নিংশিং থৌরমদা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার অমসুং এস.পিনা লুচিংদুনা অথৌবশিংগী মফমদা মীয়ামা লৈ কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

সনা লৈবাক মণিপুর হকচাং শাজেল থাং-তা শিন্দম শঙলেন নম্বোলনসু থৌরম অসি শিন্দম শঙলেন অসিদা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা শঙলেন অসিগী একজিক্যুটিম কমিতিগী মেম্বর থাংজম দামু সিংহনা অথোইবা মীথুং ওইখি।

মণিপুর ষ্টেট শুমাং লিলা কাউন্সিলনা শিন্দুনা ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা ইবোয়াইমা শুমাং লিলা শঙলেনদা অথৌবশিংগী নুমিৎ পাঙথোকখি। কাউন্সিলগী লিলারোইশিংনা শান্নবা মরৈবাক নীংবা কোইরেংসনা হায়বা লিলা অমসু উৎখি।

রাজ্য অসিগী সরকারগী অমসুং লন্নাইকী মহৈ লোইশঙশিংদসু ঙসি অথৌবশিংগী নিংশিং থৌরম পাক শন্না পাঙথোকখি। ক্বাকৈথেল লাইশ্রম লৈকাইদা লৈবা অতোম স্পিপসিয়েল একাদমিদা নুমিৎ ৯ নি চুপা চথরকপা স্পোর্টস মিট লোইশিনবগা লোয়ননা অথৌবশিংগী নিংশিং থৌরমসু

পাঙথোকখি। য়ুনাইতেদ কলেজ চান্দেলগী ইন্তরনেল ক্বালিতি এসুরেন্স সেলনা শিন্দুনা অথৌবশিংগী নুমিৎ থৌরম ঙসি কলেজ অসিদা পাঙথোকখি।

মণিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কমিতিনা শিন্দুনা অথৌবশিংগী নিংশিং থৌরম ঙসি ইম্ফালগী কংগ্রেস ভবনদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা সি.এল.পি লুচিংবা ওক্রম ইবোবী অমসুং এম.পি.সি.সিগী প্রসিদেন্ট কে. মেঘচন্দ্র য়াওনা দলগী লুচিংবা কয়ানা শরুক য়াখি। মণিপুর পিপলস পার্তিনসু নিংশিং থৌরম অসি ঙসি ইম্ফালদা লৈবা দলগী ওফিসতা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা দল অসিগী প্রসিদেন্ট এস. ব্রোজেন সিংহনা লুচিংদুনা অথৌবশিংগী মফমদা হৈকৎ লৈকৎ তমখি।

কলেজ ওফ এগ্রিকলচর ইরোইশেম্বা, নিংঙোল ক্লব হৈরোক, এমতুক অমসুং এমজিওগী জে.এ.সি, ফেদরেসন ওফ সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসন (ফোক্স), তেকচম ইকোপ নিংথৌ লাইবুংদসু ঙসি অথৌবশিংগী নিংশিং থৌরম পাঙথোকখি।

ব্লড (এল)ঃ থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালদা ঙসি অথৌবশিংগী নীংশিং থৌরমগা মরী লৈননা লেমা ঈ দান তৌবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। মদুদা নুপী মরি য়াওনা পুন্না মীওই ৩১ না ঈ দান তৌখি।

তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল অমদি অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা ঈ দান তৌবগী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা পুন্না মীওই ১০০ না ঈ দান তৌখি।

তিরঙ্গ (এল)ঃ লৈবাক শিনবা থুংনা চত্থরিবা হর ঘর তিরঙ্গ কেম্পেন মণিপুরদসু পাক শন্না পাঙথোকরি। কেম্পেন অসি মণিপুর পোল্লুসন কন্ত্রোল বোর্দনা শিন্দুনা বোর্দ অসিগী ওফিসতা ঙসি পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা বোর্দগী চেয়ারমেন ডাঃ উসম দেবেন শরুক য়াখি।

যুনাইতেদ কলেজ চান্দেলগী ইন্তরনেল ক্বালিতি এসুরেন্স সেলনা শিন্দুনা অজাদি কা অমৃট মহোৎসবকা মরী লৈননা হর ঘর তিরঙ্গগী কেম্পেন কলেজ অসিদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

নোনে জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগা জোনেল ইজ্‌কেসন ওফিসকা খুৎশমদুনা জিলা অসিগী দি.সি ওফিস কমপ্লেক্সতগী তিরঙ্গ যাত্রা অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

মেরিলেন্দ নুঙবদসু সি.আর.পি.এফগী ১৪৩ শুবা বত্তাল্লিয়নগী জৱানশিংনা শরুক য়াদুনা হর ঘর তিরঙ্গ কেম্পেন পাঙথোকখ্রে।

অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা তেংনৌপল জিলাগী সিতা, খুদেংথাবী অমসুং ক্বাথাদা হর ঘর তিরঙ্গগী কেম্পেন পাঙথোকখ্রে। থৌবাল জিলাগী লিলোংদসু অসাম রাইফলসনা কেম্পেন অসিগী শরুক অমা ওইনা জাতিগী ফিরালশিং য়েন্থোকখি।

থৌবাল জিলাগী ওইনা তিরঙ্গ সিগনেচর কেম্পেন অমা ঙসি জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার অহন্থেম শুবাসনা লুচিংদুনা পাঙথোকখ্রে। কলেজ ওফ এগ্রিকলচর ইরোইশেম্বনসু হর ঘর তিরঙ্গগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

হর ঘর তিরঙ্গ কেম্পেনগী শরুক অমা ওইনা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা ঙসি বাইক রেল্লি অমা পাঙথোকখ্রে।

সিআরপিএফ (এল)ঃ সি.আর.পি.এফ ১৪৩ শুবা বত্তাল্লিয়ন্না শিন্দুনা নেসনেল য়ুনিতি এন্দ প্রাইদকী মতাংদা লমফেলপাৎগী অকোইবদা লৈরিবা খুল অমদি লৈকাইশিংদা ঙরাং জাতিগী ফিরাল ১০০ হেন্না য়েন্থোকখ্রে। ঙসিদগী হৌরগা থা অসিগী ১৫ ফাওবা মীয়ামা মশা মশাগী য়ুমদা থেৎননবগীদমক ফিরালশিং অদু য়েন্থোকখিবনি। ঙসিসু লাইশ্রম লৈরক, খুলেম লৈকাই, শামুশঙ অমসুং য়াইফ লৈকাইদা জাতিগী ফিরাল ৪৫০ রোম য়েন্থোকখি হায়রি।

সিসিপুর (এল)ঃ  লৈবাক অসিগী ৭৮ শুবা নীংতম নুমিৎ পালনগী ফুল দ্রেস রিহারসেল ঙসি চুরাচান্দপুর জিলাগী তুইবোংদা লৈবা পিছ গ্রাউন্দদা পাঙথোকখ্রে। দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন চুরাচান্দপুরনা শিনবা থৌরম অদুদা তোঙান তোঙানবা সেক্যুরিতি ফোর্সশিংগী কন্টিঞ্জেন্টশিং, স্কুল, কলেজ অমসুং এন.সি.সিগী কেদেটশিংনা শরুক য়াখি।

এআর (এল)ঃ  ময়াই কাবা নিশা ড্রগকী মতাংদা মীয়াম্বু ৱাখল তাহনবগী থৌরম অমা ঙসি নোনে জিলাগী হাওচোং ভিলেজদা পাঙথোকখ্রে। অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা অখণ্ড অহে কয়ানা ময়াই কাবা নিশানা মীওইবগী পুন্সিদা পীরিবা অমাংবশিংগী মতাংদা মরিক চুমা ৱা ঙাংখি।

কামজোং জিলাগী সোরদে ভিলেজদা অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা হেলথ এন্দ হাইজিন দ্রাইভকী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

নোং (এল)ঃ  ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট, ইম্ফাল সেন্তরনা হায়রি- লাক্লিবা নুমিৎ নিনিদা মণিপুরগী চীংগী জিলাশিংদা ময়াই ওইরপ্পদগী য়াম া কনবা চাং য়ৌনা নোং চুরবা য়াই।  সেন্তর অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়- তমেংলোং, সেনাপতি, উখ্রুল, কাংপোকপী, নোনে, সেনাপতি, চুরাচান দপুর অমসুং ফেরজোল জিলাশিংদা নোং কন্না চুরবা য়াই। তম্পাক্কী জিলা খরা- ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, থৌবাল, ককচিং অমসুং জিরিবামনচিংবা জিলাশিংদনা থা অসিগী ১৫ অমসুং ১৬ তা নোং কন্না চুরবা য়াই।

এৱারনেস (এল)ঃ  শওম্বুংদা লৈবা বিরমঙ্গোল কলেজদা হাংদোক্লিবা রিলিফ কেম্পতা ঙসি নোংমগী ওইবা ওন্তরপ্রেন্যুরসিপ এৱারনেস প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে। মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী ভোকেসনেল ষ্টদিজ এন্দ স্কিল দিভলপমেন্ট দিপার্টমেন্টকী মখাদা পাঙথোকখিবা প্রোগ্রাম অসিদা চহি ১৮ দগী ৪০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মীওইশিংনা শরুক য়াখি।

ফিলম (এল)ঃ হাওবম পাৱন কুমারগী অহুমসুবা ফিচর ফিলম- জোসেফস সন, থা অসিগী ১৫ দগী হৌগদৌরিবা ১৫ শুবা ইন্দিয়ান ফিলম ফেষ্টিভেল ওফ মেলবোর্ন ২০২৪ দা উৎলগনি। ফেষ্টিভেল অসিদা উৎকদবা ভারতকী ফিলম ৩৩ গী মনুংদা পাৱনকুমারগী ফিলম অসি য়াওরকপনি।

ৱাকৎ (এল)ঃ লমখায় টু শুগনু রোড দিভলপমেন্ট এন্দ দিমান্দ কমিতিগী লমজিং মখাদা লম্বী অসিবু শেমজিন্নবা দাবী তৌদুনা ঙসি নিনি চনবা নুমিৎ ওইনা পাঙলতাবী, ৱাংজিং খুনৌ অমসুং ককচিং খুনৌ লমখায়দা ৱাকৎ মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। ৱাকৎ মীফম অদুগী মাংওইননা অথৌবশিংগী নিংশিং নুমিৎকা মরী লৈননা অথৌবশিংগী ফোটোদা লৈ কৎপগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি।

ত্রেনিং (এল)ঃ রাজ্যগী হোর্তিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্ভেসন দিপার্টমেন্ট অমসুং ৱিমেন ইম্পৱারমেন্ট এন্দ চাইল্ড দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন্না পুন্না শিন্দুনা নুমিৎ মঙানি চুপা চথরকপা চীঞ্জাক শেম শাবগী ত্রেনিং অমা ঙসি ইম্ফালগী খুমন লম্পাক্তা লৈবা য়ুথ হোষ্টেলদা লোইশিনখ্রে।

অকাশবানি (এল)ঃ অকাশবানি ইম্ফালনা শিন্দুনা লৈবাক নীংবা ঈশৈশিংদা য়ুম্ফম ওইবা- অকাশবানি পেত্রিওটিক ম্যুজিক ফেষ্টিভেল ২০২৪ ঙসি অকাশবানি ইম্ফালগী ওদিতোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা তোঙান তোঙানবা ঈশৈ নোংমাই অমদি নাৎকী ওইবা থৌরমশিং পাঙথোকখি।

ওবিত (এল)ঃ সলাই অপুনবা নুপী লমজিং লুপকী মতম শাংনা লুচিংবী ওইবীরম্বী- থোকচোম ওংবী ইবেমহল লৈমা লৈখিদ্রে। মহাকা লৈখিদবদা লুপ অসিগী থৌমীশিংনা ঙসি ইকায় খুমবগী উৎপগী অচম্বা থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

ওকপা (এল)ঃ ২১ শুবা মিষ্টর ইম্ফাল ইষ্ট বোদি বিল্ডিং কন্টেষ্টতা মেন্স স্পোর্টস ফিজিক্কী টাইটল লৌরক্লবা কে.ঐচ. রোজর আলিবু ঙসি সোসিয়েল ৱেলফ্যার এসোসিয়েসন খেরগাউ থম্বালখোং মখা লৈকাইনা তরামা ওকখ্রে।

এক্সরসাইজ ঃ তামিলনাদুগী সলুর এয়ার বেজদা চথরিবা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী চাউবা মল্টি নেসনেল মিলিটরি এক্সরসাইজদা ভারতনা শাজবা লাইট কম্বেট এয়ারক্রাফট (এল.সি.এ) তেজাসকী তৌবা ঙম্বা শক্তিশিং উৎখ্রে। এয়ার সো অদুদা মালেমদা মমিং লৈরবা ফাইটর জেটশিং- রাফেল অমসুং য়ুরো-ফাইটর টাইফুন য়াওনা অতৈ এয়ারক্রাফট কয়াসু শরুক য়াখি। এয়ার সো অসিদা ফ্রান্স, জরমনি অমসুং স্পেনগী এয়ারফোর্স চীফশিংসু শরুক য়ারি। লৈবাক ১১ না শরুক য়াদুনা পাঙথোক্লিবা মিলিটরি এক্সরসাইজ অসিদা মালেমগী খ্বাইদগী ফবা এয়ারক্রাফটশিংগী মনুং চল্লিবা তেজাসতা জরমনি অমসুং ফ্রান্সকী এয়ারফোর্সকী চীফশিংনা তোংদুনা পাইখি।

মনকি বাট ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী ১১৩ শুবা মনকি বাট- পুকিংগী ৱা থা অসিগী ২৫ দা অকাশবানিদা শন্দোক্কনি। মসিগীদমক মীয়ামা সজেসনশিং টোল ফ্রি নম্বর **1800-117-800** দা পীরকপা য়াগনি।

-------